# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable — The messenger of the masses


লাঙ্গোল চীংগী লৈমা লোক্তা মখোঙ তেকপদগী চৎপা ঙমদনা লৈরম্লবা শজি অমোম অমা মীয়াম্না কল্লগা মণিপুর জুলোজিকেল গার্দেনগী ওথোরিটিশিংদা শিন্নবা থম্না



লাইনিং লম অহিংবা ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিগী ৪শুবা প্রদক্সন *থরো-থম্বাল* ফিল্মগী য়াইফ-থৌনি থৌরম মেকোলা লাইরেঞ্জমদা লৈবা এস ইবোহলগী য়ুমদা পাঙথোকপগী শক্তম



নুপীলাল মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা ২শুবা নুপীলালদা মাঙজিন থানা শরুক য়াখিবী ফ্রীদম ফাইটর ইমা রাজনি লৈখিদবদগী ২৫শুবা কুমওন থৌরম



আই এস সী এ আর, ইম্ফাল অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অনীনা শীন্দুনা এম য়ুদা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি ফোর হ্যুমন দিবেলপমেন্টকী মতাংদা পাঙথোকপা নেসনল সেমিনার




৩৮শুবা চহী,৩০৯শুবা মশিং | থাংজ, ফাইরেল ৪নি পানবা | অপুনবা লমায় মশিং ৮ | HUEIYEN LANPAO, Saturday, January 24, 2015, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 3.00


## অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৩.৯৮°C | ০৮.৯০°C |
| চান্দেল | ২৭.৬২°C | ১৩.১৮°C |
| সীসীপুর | ২৩.৫৮°C | ০৮.১০°C |
| ইম্ফাল | ২৪.৭৬°C | ০৭.৮৬°C |
| সেনাপতি | ২৩.২০°C | ০৪.২১°C |
| তমেংলোং | ২৬.৯২°C | ১০.১৮°C |
| থৌবাল | ২৩.৫২°C | ০৯.৯২°C |
| উখ্রুল | ১৭.৫৪°C | ০৭.৫৯°C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৬এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৫২

# লিলোং বন্দ-মহৈরোয় অমা নোংমৈনা পান্দুনা শিরে

## মীয়াম হৌরক্তুনা লন্নাই মীওই ১গী জীপসি ১ মৈ থাখ্রে, গাড়ী কয়া থুগাইখ্রে; লিলোংদা কার্ফিয়ু থমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচ এন এন) ঃ লিলোং থোংখোংদগী ৱাইথৌ ফাওবগী কিলোমিটর ৪ রোম শাংবা ইম্ফাল-মোরে লম্বী পাকথোক্তবগী মায়োক্তা লিলোং য়ুনাইটেদ পোলিটিকেল লিঙ্কনা কৌখিবা মতম কত্তুবা বন্দ মনুংদা পুলিস অমসুং মীয়ামগী মরক্তা য়াম্না কন্না মুক্করিঙৈগী চৈরক্তা মশাগী চহী ১৩ রোমতমক ঙাইরিবা মহৈরোয় অমা শিরে।

লৈখিদ্রবা মহৈরোয় অদুগী মমিং এম দি ইমতিয়াস খান এলিয়াস অপোম্বী কৌই। মহাক লিলোং উপাকথোংদগী ময়াংময়ুম জাকিরগী মচানুপানি। মহাক লিলোং উবাকথোংদা লৈবা ওক্সফোর্দ ইংলিস স্কুলদা ক্লাস আইট তম্লিবা মহৈরোয়নি হায়রি।

থৌদোক অসি লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা লিলোং হাওরৈবী কোলেজদগী ইম্ফাললোমদা মিটর ৪০০ রোম নেসনল হায়ৱে-১০২ রোমদা চৎলগা লৈবা কালৈখোং মকোক্তা ঙসি নুমিদাংৱাইরম থোকখিবনি হায়রি।

চহী নৌরিবা মহৈরোয় অমা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শিখিবা থৌদোক অদুদা পুলিস পর্সনেল চেন্নব্রা অমদি কমদৌনা মহাক নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শিখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুমকপু মীয়াম্নদি অঙাং অসি পুলিসনা নোংমৈনা কাপ্পদগী শিবনি হায়না মরাল শীরি। অদুবু পুলিসনদি থৌদোক অদুদা মখোয় চেন্নদে হায়না লৈথোক্লি।





মহৈরোয় অমা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শিখিবা থৌদোক্কী মতুংদা লিলোং পুলিস ষ্টেসন্দগী লিলোং হাওরৈবী কোলেজ মপা ফাওবদা পাক-শন্না ঈরাং থোরকখি। মশীং য়াম্লবা মীওই কয়া মখুত্তা মী শিবা য়াবা খুৎশু-খুলাই পায়দুনা লম্বী-লমজাওদা থোক্লরকখি। মদুনা মরম ওইরগা অশিবা হকচাং অদু ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবা পুলিসনা থৌদোক থোকফমদগী লৌখৎপা ঙমখিদে হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

মশীং য়াম্লবা মীওই কয়ানা লিলোং পুলিস ষ্টেসন্দা থোমজিন্নবা ঈহৌ হৌরকখি। অদুবু পুলিস ষ্টেসন য়াওনা লো এন্দ ওর্দর ঙাক-শেন্দুনা লৈরিবা পুলিস পর্সনেলশিংনা টিয়ার গ্যাস, নোংমৈ মরু কয়ামরুম কাপ্পদগী পুলিস ষ্টেসন্দা থোমজিনবা ঙমখিদে।

ঙসিগী ৱাথোক অসি লিলোং য়ুনাইটেদ পোলিটিকেল লিঙ্ক কৌবা হু দত্তা শেমখিবা লূপ অমনা ঙসি অয়ুক্তগী মতম কত্তুনা নেসনল হায়ৱে-১০২ বন্দ কৌরিঙৈগী মনুংদা থোকখিবনি। অয়ুক অঙনবদগী হৌনা মীওই কয়া লম্বীদা থোরক্তুনা অচৎ-অওক তৌবশিং থিংখি। চৈ অমদি নুঙনচিংবা পায়দুনা লম্বী অসিদা লাকপা গাড়ীশিং থুগাইবা হৌখি।

কা হেনবা মওংদা চথরকপা খোঙজং অদু লাকশিন্নবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মশীং য়াম্লবা পর্সনেলশিং মফম অদুদা থোমজিল্লকখি। পুলিস পর্সনেলশিংনা মীয়াম অদুবু তানখায়নবা টিয়ার গ্যাস সেলশিং, ষ্টন বোম অমদি রবর বুলেটনচিংবা কাপখি।

বন্দ মনুংদা ইম্ফাল-মোরে লম্বীদা থৌরকপা চান্দেল ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী মখাদা লৈবা স্কুল সেক্সনগী ইন্সপেক্টর অমনা তোংদুনা লাকপা জীপসি অমা মীয়াম্না মৈ থাখি।

তাঙ্কক কয়ারক্তা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস অমদি রবর বুলেটনচিংবা কাপ্পগী থৌদোক্তা চহী ৭কী নুপীমচা অমা য়াওনা মীওই মরি শোকখি। অশোকপশিং অদু হট্টাদা লৈবা পব্লিক হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। শোক্লবা মীওই মরি অদুদি লিলোং লৌমঙাদগী সোনিয়া (৭) অপোকপগী মিং এম দি মহমুদ, লিলোং তোলেন খুলদগী এম দি জহিয়া খান (১৭) অপোকপগী মিং এম দি সনা, লিলোং মাইরেন খুলদগী এম দি অলতাব (২১) অমসুং লিলোং চীংখম মনীংদগী এম দি অজিস এলিয়স তোম্বা (১৩) অপোকপগী মিং এম দি সলাউদ্দিননি। মখোয় মরিমক খুৎ, খোঙ অমদি মীৎপান্দা শোকই। অদুমকপু থোইনা নুংশা থিনিংঙাই ওইবা অশোকপা অমত্তা য়াওদে হায়রি।

চহী নৌরিবা মহৈরোয়শিং শোকখিবগী থৌদোক অদু মহৈরোয়শিং অসিনা মহৈশঙদগী হল্লকপগী লম্বীদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস অমদি রবর বুলেটনচিংবা কাপশিল্লক-পদগী পানবনি হায়না চার্জ তৌরি।

বন্দ চথরিঙৈ মনুংদা তাঙ্কক কয়াদা পুলিস অমদি মীয়ামগা মুক্কবগী থৌদোক কয়ামরুম থোকখি। থৌদোক অদুদা মীয়াম্না নুঙনা থারকপদগী পুলিস পর্সনেল অমা শোকখি, গাড়ী কয়ামরুমগী মিংশেল কায়খি হায়রি।

মীশি-মীনা থোক্ত্রিঙৈদা অখন্নবা পাউমী খরগা উনবদা লিলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী এম এল এসু ওইরিবা এগ্রীকলচর মিনিষ্টর অব্দুল নাসিরনা হায়খি, কৌরিবা বন্দ অসি ৱাহন্থোক য়াওদবা, পোলিটিক্সকী শারৌ তৌবা বন্দনি। লিলোংদগী উশোইপোকপী ফাওবগী লম্বী অসি পাকথোকপগী থবক মণিপুর গভর্ণমেন্টকী নত্তে। নেসনল হায়ৱে ওইবা মরম্না চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা য়াম্না কন্না তক্কু বদগী লম্বী মতেক অসি পাকথোক্লবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীখ্রে।

মহাক্না হায়খি, লম্বী অসি শেম্ন বগীদমক থাদনখিবা টেন্দর ফেব্রুৱারী ৩ ফাওবদা হাংলগনি। লাক্লিবা মার্চ থা ফাওবগী মনুংদা লম্বী অসি শেমগনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা লৈরবনি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা কনাগুম্বা খরনা বন্দ তৌশিনবসি অচুম্বা নত্তে।

মীওই অমা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শিখিবা অমদি পাক-শন্না লিলোং এরিয়াদা ঈরাং থোরকপদগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ তাবদগী লিলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী শীনবা থুংনা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪, সব-সেক্সন ২ (কার্ফিয়ু)গী মখাদা মতম কত্তুনা অথিংবা থমখ্রে। ঈরাং লাকশিন্নবা পুলিসনা নুমিদাং অথেংবা ফাওবা হোৎনখি হায়রি।

## মণিপুরী নুপী অমা উতুপ্না থোমদুনা হাৎখ্রে



মারগাও, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী) ঃ নেহরু ষ্টেদিয়ম, ফাতোরদা মনাক্তা লৈবা এ ভীদা কোষ্টা হোস্পিটালগা থংননা লৈবা নেচরল লাইফষ্টাইল হাউসিং কমপ্লেক্সকী রেসিদেন্সিএল এপার্টমেন্টতা লৈবী মণিপুরী নুপী অমা য়ুমগী থবক শুনবা থম্বা মণিপুরী নুপা অমনা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুংদা কোল্ড ব্লদতা বেজবোল বেটনা থোমদুনা হাৎখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা মারগাও পুলিসনা হায়, য়ুমগী থবক শুনবা থম্বা মশাগী চহী ২৩ রোম শুরবা মণিপুরী মচা বেন্নর কৈশিংনা মহাক্কী য়ুম্বু চোংমিলা জিমিক (৩২) বেজবোল বেটনা থোম্লগা হাৎখিবনি। নাবেলিয়াদগী সেভিও ফর্নান্দেজ কৌবা গোৱা মচা অমদা য়ুম পানবী লৈখিদ্রবী চোংমিলাগী থা ৪শুরবা মচানুপা অমা লৈরে। *মখা লামায় ৩ কলম ২*

## হেল্‌ঠ কেম্প

ইম্ফাল, জানুৱারি ২৩ ঃ রুরল এদুকেসন এন্দ এক্সন ফোর চেঞ্জ মণিপুর (রিচ-এম) না য়ুরোপিয়ন কমিসনগী শৌগৎপগা লোয়ননা এক্সন এইদ এসোসিএশনগা খুৎশম্না ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী সিনাম খুলদা নোংমগী ওইবা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মেদিসীন অমসুং গাইনিকোলোজিষ্ট ডোক্তর ৩ য়াওবা মেদিকেল টিম অমনা খুঞ্জাশিং করি লায়না নাবগে য়েংখি অমসুং হিদাক লাংথকশিং লেম্না পীখি। নুপী, অঙাং য়াওনা মীওই ১০০ রোম লায়েংখি। খুঞ্জাশিংবু তেংবাংবিখিবগীদমক রিচ-এমগী মেদিকেল টিম অমসুং ষ্টাফপু সিনাম ভিলেজ ওথোরিটি অমসুং য়ুঠ ক্লবনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## এগজামগী য়েংবীয়ু

ইম্ফাল, জানুৱারি ২৩ ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কৈরেম-বিখোক ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন এন্দ ক্লব (কে এস য়ু সি) না থাদোরকপা চেরোল অমদা ক্লব অসিনা কোল্লিবা মফমশিংদা চহী অসিগী লাক্কদৌরিবা ঐচ এস এল সি অমদি ঐচ এস এস এল সি ২০১৫ গী এগজামিনেশন অনী অসিগী য়েংলগা ঈশৈ-নোংমাই, হাওসি অমদি এগজাম থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংদা অয়েৎপা ওইগদবা লাউদ স্পিকরনচিংবা শিজিন্নবা প্রোগ্রাম ফঙ্কসনশিং এগজাম লোইদ্রিফাওবা পাঙথোকপীগনু হায়রি। করিগুম্বা পাঙথোক্তবা য়াদবা প্রোগ্রাম অমদি ফঙ্কসন্নচিংবা তৌবা তারবসু কৈরেমবিখোক ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন এন্দ ক্লব (কে এস য়ু সি)তগী অয়াবা লৌবিয়ু লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ফেব্রুৱারি তাং ১৬ অমসুং ১৭ তগী হৌগদৌরিবা ঐচ এস এল সি অমদি ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

## য়ুঙৌ ফারে

ইম্ফাল, জানুৱারি ২৩ ঃ মারুতি ইর্টিগা (দি এল-০৯ সী এল-৯৪৩৩) অমদা পুরকপা য়ুঙৌ লিটর ৪৫৩ রেদ সিল্ড দিভিজনগী টুপশিংনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী হেনবুং ময়াদগী ফারে। য়ুঙৌশিং অদু কার অদুদা হাপ্লগা সেকমাইদগী সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরসতা য়োন্নবা পুরকপনি। য়ুঙৌ পুরকপগা মরী লৈননা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী চৱানমৈ খুলদগী এ মনিখো অমসুং এ কাইজি কৌবা মীওই অনী ফারে। মখোয় অনী য়ুঙৌশিং অদুগা লোয়ননা সেনাপতি পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখ্রে হায়না পি আই বি দিফেন্স ৱিংগী চেরোল অমনা হায়রি।

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 68.631562 |
| US Dollar | 61.460545 |
| British Pound | 91.962291 |
| Australian Dollar | 48.790546 |
| Chinese Yuan | 9.871695 |
| Japanese Yen | 0.520744 |
| Malaysian Ringgit | 17.083179 |
| Nepalese Rupee | 0.624244 |
| Russian Ruble | 0.952377 |
| Singapore Dollar | 45.743272 |
| South Korean Won | 0.056851 |
| Bangladesh Taka | 0.78573 |
| Myanmar Kyat | 0.05993 |
| Thailand Baht | 1.885658 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 26660 |
| Delhi | – | Rs 26700 |
| Kolkata | – | Rs 26680 |
| Hyderabad | – | Rs 31000 |

## শর্মিলা পুলিসনা অমুক হন্না ফাজিনখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচ এন এন) ঃ জেলদগী থাদোকখিবা পুং ২৭কী তুংদা ইরোম শর্মিলা চনু পুলিসনা ঙসি নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী শামু মখোঙদগী লৌখৎলবা তুংদা জেনিমসতা থমখ্রে।

জেনিমসতা লৈবা সিক্যুরিটি ৱার্দতগী ঙরাং থাদোকখ্রবা তুংদা শর্মিলা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী শামু মখোঙদা শর্মিলা কনবা অপুনবা লূপকী ইমাশিংনা থৌগল তৌদুনা প্রোটেষ্ট চথরকখি। মশীং য়াম্লবা মীওই কয়ানা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা অফস্পা লৌথোক্লবা খোঙজং চঙশিল্লিবী ইরোম শর্মিলা চনুগী চরা হেনফমদা লাক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

চরা হেল্লিবী ইরোম শর্মিলা চনুবু পুলিস পর্সনেলশিংনা ঙাক-শেনখি। পুং খূদিংগী মেদিকেলগী টিম অমনা শর্মিলাগী ঈগী খোঙজেল য়েংখি। নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা মহাক্না ৱারী শাননিংই হায়বদগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমগা মোবাইল ফোন্দা ৱারী শানখি। নুমিদাংগী পুং ৯ লোম তারকপদা খঙহৌদনা শর্মিলা ৱাখল মাঙবগুম্না তৌরকখি। মহাকপু ঙাক-শেল্লিবা পুলিস পর্সনেলশিংনা খুদক্তা এম্বুলেন্স অমদা থাঙ্গৎলগা হোস্পিটালদা পুনবা থৌরাং তৌখি।

তাঞ্জা অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ডো. একে ঝলজিৎ মশামক লাক্তুনা শর্মিলাবু হোস্পিটালদা পুনবা নুপী পুলিস পর্সনেলশিংগা লোয়ননা হোৎনখি। মশা শোন্থরকপনা মরম ওইরদুনা মহাক্কী পূন্সিদা খুদোংথিবা থোকহন্দনবগীদমক শর্মিলা কনবা অপুনবা লূপকী ইমাশিংসু মহৌশাগী মতৌগুম্না শর্মিলা পুবা য়ারোই হায়না থিংবা তৌখিদে।

পুলিসতগী ফংবা পাউ অমনা হায়, শর্মিলা ঙসি নুমিদাং ফাওবা ফাবা পুনবগী মতাংদা করিগুম্বা মখলগী ৱারেপ অমফাওবা লৌবা লৈত্রি। পুলিসনা চরা হেনফমদগী মহাকপু লৌখৎলগা হোস্পিটালদা পুরিবসিদি মহাক্কী পূন্সি খুদোংথিবা থোক্তনবগীদমক্তনি। জেনিমস হোস্পিটাল য়ৌরবা তুংদা শর্মিলা লাইফ সেবিং দ্রগশিং কাপ্তুনা মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনখি।

পনবা য়াবদি, পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসন্না লৌখৎপা এফ আই আর নম্বর ২৪২/৮/২০১৪ পোরোম্পাৎ পি এসনা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩০৯, ৩৫৩গী মখাদা শর্মিলা মমাঙ চহীগী ওগষ্ট ২২দা ফাজিনখিবনি। শর্মিলাদা শীরিবা মরালশিং কোর্ট অসিনা হিয়ারিং চথরবা তুংদা শর্মিলা মশা মথন্তা চরা হেন্দুনা শিজনবা হোৎনৈ অমদি পুলিসকী থবক থৌরমদা অপনবা পী হায়বা পুলিসকী চার্জ য়াখিদে। কোর্ট অসিনা শর্মিলা দিমান্দ অমা ফংনবা চরা হেনবনি হায়না ফোঙদোকখি।

## এম য়ুগী অৱাংবা বিল্ডিং শাবগী অয়াবা কনানা পী, মৈ লিক্লা শীজিন্নবা থৌশীল শেম্লব্রা : সী এম

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচ এন এন) ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (এম য়ু)গী কেম্পস মনুংদা মথোল ৱাংলবা বিল্ডিং কয়ামরুম শাগৎলিবসি করম্বা আর্কিটেক, ইঞ্জিনিয়ারগী পাউতাক মখাদা শাবনো, অশোয়-অঙাম থোক্লরোই হায়বগী কনানা অয়াবা পীরবগে হায়না ঙসি এম য়ুদা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি ফোর হ্যুমন দিবেলপমেন্টকী মতাংদা পাঙথোকপা নেসনল সেমিনার হৌদোকপদা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

আই এস সী এ আর, ইম্ফাল অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অনীনা শীন্দুনা পাঙথোকপা সেমিনার অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা এম য়ু মনুংদা পৱার কা হেন্না লৌশিল্লগা শীজিন্নরিবসি মতমগা চুনবা মৈ চাবা হন্থবা মখলগী টেক্নোলোজিশিংনা শিনে দাক্লবা থৌশীল শেম্লব্রা হায়না হংখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসি সেন্টরগী ওইরবসু ষ্টেট অসিদা লৈবনা য়েংশিনদবা য়াদে। য়ুনিভর্সিটি অসিগী বিল্ডিং অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎপদা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌগদবনি। ষ্টেট অসিগী নৌনা পুথোকপা হাউসিং পোলিসি ঙাক্লা শাগদবনি। শাগৎলিবা অৱাংবা বিল্ডিংশিং অসি নীংখায়রকপা থোক্লবদি ষ্টেট অসিগী ওইনা মায় চোপকনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

এম য়ুনা মীওইবা কাঙলূপকী য়াইফনবা হিরমদা রিসার্চ তৌবা মীওই মশীং য়াম্না পুথোক্লবা হোৎনবদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাঙগনি। সাইন্স য়াওদনা লৈবাক অমা চাউখৎপা ওইথোক্তে। হ্যুমন দিবেলপমেন্ট পুরক্লিবসি সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিগী মপান্ননি।

সেমিনার হৌদোকপগী থৌরমদা প্রিসিদেন্ট ওইখিবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চান্সেলর প্রো. ঐচ এন কে শর্ম্মনা হায়খি, মীওইবা খুন্নাইনা ঙসি নুংঙাইনা হিংবা ঙম্লিবসি সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিননি। সাইন্সকী পান্থৈনা কম্যুনিকেসন সিষ্টেম ফগৎহল্লে। কম্যুনিকেসন সিষ্টেম ফগৎলকপদগী অরাপ্পা, অনকপা থিদনা ঈ-পাউ ফাওনবা ঙম্লে।

মালেমদা চাউখৎলবা লৈবাক কয়াদি সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী লমদা মখা তানা থিজিন্দুনা মীওইবা কাঙলূপকী চাউখৎনবা হোৎনবা লেপত্রি। মালেমগী চাউখৎলবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াসু দিবেলপিং কন্ট্রিশিংগী মনুংদা অমা ওইরে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিবু হেন্না লুম্না লৌদুনা মীৎয়েং থম্লক্লি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

মীওই বিল্লিয়ন ১.৬ লৈবা ইন্দিয়াগী শরুক মরি থোকপগী অমদি ইলেক্ট্রিক ফংদ্রি। সোলর অমদি ৱিন ইনর্জিগী পান্থৈনা ইলেক্ট্রিক ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা য়াই। এল ঈ দি শীজিন্নরগা পৱার শীজিন্নবগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনসি। থৌরমদুদা মহৈরোয় মঙাদসু য়ং সাইন্টিষ্ট এৱার্দ পীখি।

## মেজিষ্টিরিএল ইনক্বারি চথরগনি

ইম্ফাল, জানুৱারি ২৩ (ঐচ এন এস)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্যান্দোশিং অমসুং ২১ অসাম রইফলস পার্সনেলশিংগী অপুনবা টিম অমনা কুমজা ২০০৯ গী মার্চ ৪ দা ফৌবাকচাও চাত্রখোংদা খুৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোক অমদা ফৌবাকচাও হৈবোং য়াঙবীদগী এম দি অজাদ (১৩), অপোকপা এম দি ৱাহিদ আলি শিখিবা অদু থিজিন্নবা মখা তাবা মেজিষ্টিরিএল ইনক্বারি চথহন্নবগীদমক ইম্ফাল ৱেষ্ট মেজিষ্ট্রেটনা সব-দিভিজনেল মেজিষ্ট্রেট, ৱাঙ্গোই, ইম্ফাল ৱেষ্ট লাইশম দোলি দেবী হাপখ্রে।

কুমজা ২০১২, ফেব্রুৱারি ৪ দা থোকখিবা ওর্দর নম্বর পি এম (আই এম) ১/৪/৫ সী ও এন/এন ঐচ আর সী/০৮ গী মখাদা চথগদৌরিবা মখা তাবা ইনক্বারি অসিনা থৌদোক অদু থোকখিবগী মরমশিং অমসুং ফিভমশিং পুথোকপা, মদু এনালাইসিস তৌবা, মদুদা ফংবা ফাইন্দিংশিংদু অমুক নৈনরগা অদুগুম্বা থৌদোক মতুংদা অমুক থোকহন্দনবা করি তৌগদগে হায়বা পুথোক্কনি।

লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুং য়াওনা ইনক্বারি অসিদা শাখি ওইনিংবা নত্রগা দোক্যুমেন্ট ওইবা খুদম চাংদমশিং পুথোক্লিংবা মীওইশিংনা ফেব্রুৱারি ৩ ফাওবগী মনুংদা এস দি এম ৱাঙ্গোইদা থাগৎলকপা য়াগনি হায়রি।

## নম্বুল তুরেল মপান্দা বোম পোকখায়খ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচ এন এন) ঃ ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরদা অচৌবা ৱাহং হংনিংঙাই ওইবা মওংদা ঙসিসু ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কৈশামথোং লাইশোম লৈরক অমদি য়ু পি এফ ওফিসকী মায়োক্লবা নম্বুল তুরেল তোর্বানগী অমোৎ-অকায় লংথোক-ফমদা থোইনা হেন্না মতিক ময়ায় চেন্দবা আই ঈ দি অমা পোকখায়খ্রে।

বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবদা থোকখিবনি। মী চঙথোক-চঙশিন কয়া তোয়না তৌনদবা, অমোৎ-অকায় পৈফমদা পোকখায়খিবা ওইবনা থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা অশোক-অপন থোকখিদে।

বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু হেক থোকখিবগা থুনা য়াঙনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মকোকথোংবা পুলিস ওফিসর কয়ামরুম মফম অদুদা থোমজিল্লকখি। অমোৎ-অকায়শিং চাইথোকপা অমদি লৈবাক্কী শরুক খরখক ফক্কায়খিবা নত্তনা থোইনা হেন্না অমাঙ-অতা থোকখিদবদগী পুলিস পর্সনেলশিং মফম অদু থাদোক্লগা চৎনখি হায়রি।


## CORRIGENDUM

Dated: 21st January, 2015

It is hereby notified that the phone numbers advertised in the Dog Bite advertisements published recently are changed to:

**State 24x7 Help line no. = 8974198575**
**Imphal West Monitoring Cell = 9436892444**

Sd/- **Dr. O. Ibomcha Singh**
Director, Health Department & National Health Mission
Government of Manipur

HL-B/2215/22,23,24





## অস! লোইরেহে!

জন্যুৱারী ২৬কী চেকশিল্লু...!



সার, চেকশিনবা হায়ববু লম্বীদা মী অমত্তা চৎহন্দনবা থৌরাং লোইজরে!

## এন আই টি মণিপুর নোর্থ ইষ্টতা মাঙজিন থাবা ইন্সটিট্যুট ওইহনসি : চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচ এন এন) ঃ নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এন আই টি), মণিপুর অসি নোর্থ ইষ্টতা মাঙজিন থাবা ইন্সটিট্যুট ওইহনসি। অফবা মহৈরোয়শিং পুথোক্লবদি মপানগী কম্পনিশিংনা পাম্নগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ঙসি এন আই টি, মণিপুরগী অহানবা কনভোকেসন্দা ফোঙদোকখ্রে।

লাঙ্গোলদা লৈবা এন আই টি, মণিপুরগী কেম্পসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা মহৈ-মশিংগী লমদা খুমাং চাউশিন্নবা গভর্ণমেন্টনা অকনবা মীৎয়েং চঙলি। এন আই টি, মণিপুরগী শেমগৎ-শাগৎপগী থবক কয়া য়াঙনা পায়খৎনবসু হোৎনদুনা লাক্লি। ষ্টেট অসিদা তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুট কয়া লৈরে।

এন আই টি, মণিপুর অসিসু য়াম্না মাঙজিন থাবা অফবা ইন্সটিট্যুট ওইহন্নবা হোৎনসি। ইন্সটিট্যুট অসিনা অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্লবদি মপানগী অচৌবা কম্পনি কয়াদা থবক চঙবগী খুদোংচাবা ফংগনি। এপোইন্টমেন্ট পীনবগীদমক কম্পনি কয়াগী মীহুৎশিংসু লাক্কনি। শেমগৎ-শাগৎপগী থবক কয়া পায়খৎলকপা মতমদা মীয়াম্না তেংবাংবীবা মথৌ তাই। মীয়ামগী তেংবাং য়াওদ্রবদি হিরম কয়াদা খুমাঙ চাউশিনবা ঙম্লোই। চাউখৎ থৌরাংগী থবক পাকয়খৎপদা কমিটমেন্ট পীবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

লম্ফেলদা তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুট কয়া লিংখৎলক্লে। লম্ফেল অসি ইন্দষ্ট্রিএল এরিয়া অমা ওইরক্লে। ষ্টেট অসিগী লম পীকপনা ইন্সটিট্যুট কয়া শাগৎনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া লৈ। *মখা লামায় ৩ কলম ২*


HL-B/2220/24 & 25 Jan

# NATIONAL LOK ADALAT

ON

SATURDAY, 14th FEBRUARY, 2015

- Right from Hon'ble Supreme Court to Taluk Courts for settlement of cases.
- Pending cases before the courts and Pre-litigation cases on BANK MATTERS :- SECTION -138, NI ACT, RECOVERY SUITS ETC.
- Settlement of disputes through Lok Adalat ensures speedy disposal, amicable settlement and refund of court fee paid.
- National Lok Adalat sittings at Cheirap Court Complex, Uripok, Imphal and all the District Courts.
- If you have any case before the court/pre -litigation matters of Bank, please list your case in National Lok Adalat

*Orgd. By :-* (1) Manipur State Legal Services Authority, Imphal
(2) District Legal Services Authorities

*Contact :-* (1) 9774744035 (2) 9856356757 (3) 9089576146 *Email - maslsa.imphal@gmail.com*